# এস এস য়ুনা দি এম রাও মায়থীবা পীখ্রে, কে আই ৱাই সীসু মায় পাকপা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা খুমুকচম জয়কিষননা স্পোন্সর তৌদুনা লল্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৪রকশুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা ৯শুবা মেটচতা এস এস য়ুনা দি এম রাওবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখ্রে। অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা মেটচতনা কে আই ৱাই সীনা ৱাই য়ু এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

নুমীৎয়ুংবা মতুং ১২.২০ চৎপদা শান্নখিবা ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা মেটচতা এস এস য়ু শীংজ মৈ অমসুং দি এম রাও সেকমাই লন্বা তৌনবনি। মেটচকী হৌরকপদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবা এস এস য়ুগী শান্নরোয়শিংনা দি এম রাওগী মায়কৈদা অহেনবা এটেক কয়া চঙশিনবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চনবসু ঙমখি। মেটচকী ২৩শুবা মিনটতা এস এস য়ুগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২৯ ঐচ স্নিতলনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ৬কী মতুংদা টিমমেট জর্সি নম্বর ১১ টি ঐচ সুরজনা অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা দি এম রাওবু মখোয়না ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

পুংখায় অমা লোইশিনখ্রবা মতুং এস এস য়ুনা ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। দি এম রাওগী শান্নরোয়শিংনা শোত্থখিবা পাঞ্জল ২ হন্দোক্লবা হোৎনবদা কান্নবা করিমত্তা ফংখিদে। অহানবা হাফকী অরোইবা মিনটতা এস এস য়ুগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা ঐচ স্নিতলনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা দি এম রাওবু ৩-০দা হেল্লগা অহানবা হাফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাফকী মিনট ৪৫গী মতম অদুদা অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা লৈখিদবদগী এস এস য়ুনা ৩-০দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা ১০শুবা মেটচতা কে আই ৱাই সীনা ৱাই য়ু এফ সীবু ২-১দা থোইখি। শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা ৱাই য়ু এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৫ য়ারুইপম অৰুংশিনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা কে আই ৱাই সীবু ১-০দা হেল্লগা লৈখি। অহানবা হাফকী মখা তারকপা মতমদা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা কে আই ৱাই সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৫ এন জি প্রেম অমসুং জর্সি নম্বর ২২ য়ামি লোংবানা শান্নবগী ৭১ অমসুং ৭৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চল্লগা ২-১দা থোইখি।

# মিষ্টর ইন্দিয়া শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী বোদি বিল্ডরশিং খনখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচ এন এস): অন্ধ্র প্রদেশকী বিশাখাপটনমদা থা অসিগী ২৩ অমসুং ২৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৩শুবা মিষ্টর ইন্দিয়া মেন্স সিনিয়র নেসনল বোদি বিল্ডিং অমসুং ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা মণিপুর মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা বোদি বিল্ডর ১৭ অমসুং ওফিসল ২ খল্লে হায়না ওল মণিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

খল্লবা বোদি বিল্ডরশিং অদুদি নুপাগী মেন্স বোদি বিল্ডিংগী কাঙলূপ্তা য়ুম্নাম থোইবা (কেজি ৫৫), এম হেনরি হাওকিপ (৬০), এন লমজিংবা (৬৫), সাখিবুর য়ুমখাইবম (৬৫), আর কে লেনিন (৭০), তখেল্লম্বম অমর (৭০), পালিন লোইতোংবম (৭৫), এল দিনেশ (৮০), এল রোবর্ট মীতৈ (৮০), কৈশাম মাজেন (৮৫), এন জি রনধির (৮৫) অমসুং মরাদোনা কে এস ঐচ (৯০)নি। স্পোর্টস ফিজিকতা সেন্টিমিটর ১৫৬ মখাদা সলাম মেক্স, সেন্টিমিটর ১৬৫ মথক্তা হৱাইবম সুরদাস, ৱাশিম অমসুং মঙাল অরাম্বমনি। ওপনদা মাইবম রোবর্টনি। ওফিসলদা থম্বাল অমসুং কিষন য়াওরি।

# য়ু কে সী সী এলনা কে ৱাই ভি ও পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে

বিষ্ণুপুর, এপ্রিল ০৬ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরদা লৈবা মিনি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা ৬শুবা এ ইবোতোন মেমোরিয়ল য়ু-১৫ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০২০-২১গী ঙসি শান্নখিবা ১৪শুবা মেটচতা য়ু কে সী সী এলনা কে ৱাই ভি ওবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদু য়ু কে সী সী এলগী মায়কৈদগী শান্নবগী অঙনবা শরুক ৭শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ৯ এন অদিনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল ওইখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ৩২শুবা মিনটতা য়ু কে সী সী এলগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১৭ বিধিয়া সাগরনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। থংনবা মিনটতা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১১ এল হেমেশোরনা টিম অদুগী ৩শুবা পাঞ্জল চন্দুনা কে ৱাই ভি ওবু ৩-০দা হেন্দুনা লৈখি। শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৩-০দা হেন্দুনা লৈরিবা য়ু কে সী সী এলগী জর্সি নম্বর ৭ দাকেশ্বরনা পাঞ্জল ১গা হাপচিল্লগা ৪-০দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা টি ৱাই দি এ (এ) অমসুং টি ৱাই দি এ (বি)গী লন্বাদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি।

# এস দব্লিয়ু সী কৈরক মায় পাকখ্রে, এস এ ও ককচীং অমসুং য়ু বি এস এ মন্তক দ্রো চৎখ্রে



ককচীং, এপ্রিল ০৬ (ঐচএনএস): এস দব্লিয়ু সী কৈরকনা জে এ ককচীং থোইবা ঙমখ্রে। অদুগা এস এ ও ককচীং অমসুং য়ু বি এস এ মন্তক দ্রো চৎখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা এসোসিএসন অসিগী শান্নবুংদা পাঙথোক্লিবা ১৯শুবা কে এস ঐচ লৈহাও মেমোরিয়ল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস দব্লিয়ু সী কৈরকনা জে এ ককচীংবু ২-১দা থোইবা ঙমখিবনি। অদুগা এস এ ও ককচীং অমদি য়ু বি এস এ মন্তক পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

জে এ ককচীং অমসুং এস দব্লিয়ু সী কৈরককী মেটচ অদুগী হৌরকপা ৮শুবা মিনটতা জে এ ককচীংগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৭ ওলিভরনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিনখি। অদুবু অনীশুবা হাফতা এস দব্লিয়ু সী কৈরককী জর্সি নম্বর ৪ এল অভিনাশনা ৫৫শুবা অমদি ৫৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চল্লগা মখোয়না মেটচ অদু ২-১দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা এস এ ও ককচীং অমসুং য়ু বি এস এ মন্তক লন্বা তৌনবদা ১-১দা দ্রো চৎখি। য়ু বি এস এগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৯ ঙমনৈরিলনা ৪১শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা এস এ ওগী মায়কৈদগীনা মার্জিৎনা ইঞ্জুরি টাইমদা পাঞ্জল ১ চনখি।

# দি য়ু সীনা দব্লিয়ু ৱাই এফ সীবু ৩-১দা থোইখ্রে



থৌবাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা ৱাংজিংদা লৈবা কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লিবা লম্বাময়ুম মেমচা মেমোরিয়ল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী অনীশুবা মেটচতা দি য়ু সীনা দব্লিয়ু ৱাই এফ সীবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুদা দি য়ু সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১০ এম জোলিনা টিম অদুগী পাঞ্জল অহুম্মক চন্দুনা হেটট্রিক ফংখি। মহাক্না অহানবা পাঞ্জল অদু ১১শুবা মিনটতা চনখিবনি। পাঞ্জল অদুনা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মেটচকী ৪৫শুবা মিনটতা এম জোলিনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। দব্লিয়ু ৱাই এফ সীগী মায়কৈদগী শোত্থখিবা পাঞ্জল ২ হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা দি য়ু সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখ্রবা এম জোলিনা মহাক্কী হেটট্রিক অদুগা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল ৬০শুবা মিনটতা চনখি।

দব্লিয়ু ৱাই এফ সীগী জর্সি নম্বর ১০ এল রাজুনা মেটচকী ৬২শুবা মিনটতা শোত্থখিবা পাঞ্জল ৩গী মনুংদা ১ হন্দোক্লগা ১-৩দা মায়থীখি।

# এক্স পোলো ক্লব অমসুং চীঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব (বি) মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন অমসুং ন্যু ভিজন ওর্গনাইজেসন য়াইরিপোক তোপ চিংথা অনীনা পূন্না শীনমিন্নদুনা অহানবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এক্স পোলো ক্লব অমসুং চীঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব (বি)না মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা এক্স পোলো ক্লব অমসুং চীঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব (সী) লন্বা তৌনখিবনি। মদুদা অহানবা চক্করদা এক্স পোলো ক্লবকী মায়কৈদগী পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। অনীশুবা চক্করদা টিম অদুগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল ৩ চনখিবদা চীঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব (সী)গী মায়কৈদগী পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। এক্স পোলো ক্লবকী মায়কৈদগী অহুমশুবা চক্করদা পাঞ্জল ২ অমসুং মরিশুবা চক্করদা পাঞ্জল ১ হাপচিল্লগা মেটচ অদু মখোয়না মায় পাকখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা চীঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব (বি) অমসুং খুরাই পোলো ক্লব লন্বা তৌনবদা চীঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব (বি)না পাঞ্জল ৪-৩দা থোইখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী অহানবা, ২শুবা অমসুং ৪শুবা চক্করদা পাঞ্জল ৪ চনখি। অদুগা খুরাই পোলো ক্লবকী মায়কৈদগীনা ২শুবা, ৩শুবা অমসুং ৪শুবা চক্করদা পাঞ্জল অমমম্ চনখি।

## অথিংবা থম্লক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী পীরকপা ইন্সট্রক্সন অমগী মতুংইন্না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা হৌজিক-হৌজিক চথরিবা গ্রাসরুট অমসুং য়ুঠ প্রোগ্রামগী ওইবা চহী ৬ মখাদগীনা চহী ১৪ মখাগী ওইবা ফুটবোলগী থবক থৌরম পূম্নমক মখা তাবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯গী কোমথোকপা ৱারোল অমা লাক্লিবা ফাওবা অথিংবা লৈরে হায়না ফোঙদোরক্লি। মসিগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসনশিংনা হান্না পায়খৎলম্বা থবক থৌরমশিং অদু লেপকদবনি হায়না অম্ফাগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

## শাফবা কন্টেষ্ট ২০২১

বিষ্ণুপুর, এপ্রিল ০৬ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোদি বিল্ডরস এসোসিএসননা চহী খূদিংগী পাঙথোরকপা মণিপুর লেভেল মিষ্টর শাফবা কন্টেষ্ট ২০২১ অমদি দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মিষ্টর শাফবা কন্টেষ্ট ২০২১ থা অসিগী ২৫দা ওইনাম মমাং লৈকাই ইরৈমা লাইফম কম্যুনিটি হোলদা ৮লকশুবা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না প্রেসতা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। পাঙথোক্কদৌরিবা কন্টেষ্ট অসিদা মণিপুর লেভেলগী ওইনা মিষ্টর ফিজিক (ওপন), সব-জুনিয়র ওপন, জুনিয়র ওপন, সিনিয়র ওপন অমসুং মিষ্টর শাফবা কন্টেষ্ট পাঙথোক্কনি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মিষ্টর শাফবা কন্টেষ্ট ২০২১দা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী ওইবা বোদি বিল্ডরশিং খক্তমক কন্টেষ্ট অদু পাঙথোক্কনি হায়রি।

ꯁ꯭ꯃꯥꯔꯠ ꯇ꯭ꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ ꯁꯦꯟꯇꯔ
SMART TUTORIAL CENTRE
Singjamei Super Market
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE 2021-2022
CLASS X & XII (Science, Arts, Commerce)
BOSEM, COHSEM & CBSE
GENERAL FOUNDATION COURSE
SSC, Bank PO, NDA, CDS, SBI, IBP
OTHER COMPETITIVE EXAM
NEET, IIT JEE
SUB : ALL DURATION : 5 & 6 Months
AVAI. : VAN & HOSTEL (MORNING & EVENING)
STARTS ON 9 APRIL & 21 APRIL 2021
MEGA TEST 2021

| CLASS | X (9-12 A.M.) | XII (1-4 P.M.) |
|---|---|---|
| 07/4/21 | English | English |
| 10/4/21 | MIL | Phy/Hist |
| 12/4/21 | S.S | MIL |
| 15/4/21 | Maths | Chem./Sociology |
| 19/4/21 | Science | Bio./Geo. |
| 21/4/21 | Optional | Maths/Pol. Sc. |

HL-P/8727/31/1-9/4




**MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY**
**SECRETARIAT**

**NOTIFICATION**
*Imphal, the 5th April, 2021.*

*No. 01/01(01)/2021-LA(Estt):* Applications are invited from the intending candidates for direct recruitment to the following vacant posts in the Manipur Legislative Assembly Secretariat on regular basis. The number of post may be increased or decreased subject to availability of vacancies from time to time.

1. **1(one) post of Assistant Security Sub-Inspector(ASI):**

| Pay Scale | Essential Qualification | Desirable | Age Limit | URC | RC |
|---|---|---|---|---|---|
| Rs. 5,200 + 20,200 and Grade pay of Rs. 2,400/- | 1. Graduate of any recognised University. 2. Minimum height 5"3" (for Female 5"2"). 3. Minimum chest measurement for male only 31"33". 4. Weight as per standard age. Height weight correlation table as certified by the State Medical Directorate for Police Persons. 5. Selected candidates will be required to undergo initial training in a Training College Centre as per syllabus prescribed by Assembly Secretariat those who have successfully completed initial training will be put through practical/orientation refresher course/training as per programme prescribed by Assembly Secretariat. | 1. Training in NCC / Army/ Police or other similar training. 2.Knowledge of Manipuri and Hindi. | i) 38 yrs. and below (Relaxable by 5 yrs. for SC/ST & 3 yrs. for OBC Candidates). ii) The upper age limit is relaxable for Govt. Servants appointed under Govt. of Manipur/Manipur Legislative Assembly Secretariat to the extent of the period of continuous service put in the post/service and those who belongs to SC/ST/OBC will get the facility admissible to a Govt. servant in addition to the relaxation admissible to SC/ST/OBC candidates mentioned at (i). | 1 | 0 |

2. **1(one) post of Secretariat Assistant(SA):**

| Pay Scale | Essential Qualification | Desirable | Age Limit | URC | RC |
|---|---|---|---|---|---|
| Rs. 5,200 + 20,200 and Grade pay of Rs. 2,400/- | i) Graduate of any recognized University and minimum typing speed of 30 w.p.m. relaxable upto 25 w.p.m. for SC/ST and OBC candidates. (Typing may be relaxable for physically handicapped persons) ii) Diploma in Computer Application. | Knowledge of Hindi and Manipuri. | i) 38 yrs. and below (Relaxable by 5 yrs. for SC/ST & 3 yrs. for OBC Candidates). ii) The upper age limit is relaxable for Govt. Servants appointed under Govt. of Manipur/Manipur Legislative Assembly Secretariat to the extent of the period of continuous service put in the post/service and those who belongs to SC/ST/OBC will get the facility admissible to a Govt. servant in addition to the relaxation admissible to SC/ST/OBC candidates mentioned at (i). | 1 | 0 |

3. **1(one) post of Security woman:**

| Pay Scale | Essential Qualification | Desirable | Age Limit | URC | RC |
|---|---|---|---|---|---|
| Rs. 5,200 + 20,200 and Grade pay of Rs. 1,900/- | i)Matriculate (HSLC Passed) ii) Min. height 5'2" iii)Knowledge of Hindi & Manipuri. iv) Physically fit. | Knowledge of Hindi and Manipuri. | i) 38 yrs. and below (Relaxable by 5 yrs. for SC/ST & 3 yrs. for OBC Candidates). ii) The upper age limit is relaxable for Govt. Servants appointed under Govt. of Manipur/Manipur Legislative Assembly Secretariat to the extent of the period of continuous service put in the post/service and those who belongs to SC/ST/OBC will get the facility admissible to a Govt. servant in addition to the relaxation admissible to SC/ST/OBC candidates mentioned at (i). | 1 | 0 |

4. **1(one) post of Binder:**

| Pay Scale | Essential Qualification | Desirable | Age Limit | URC | RC |
|---|---|---|---|---|---|
| Rs. 4,440 + 7,440 and Grade pay of Rs. 1,650/- | i)Matriculate (HSLC Passed). ii) Knowledge of Book Binding. | Knowledge of Hindi and Manipuri. | i) 38 yrs. and below (Relaxable by 5 yrs. for SC/ST & 3 yrs. for OBC Candidates). ii) The upper age limit is relaxable for Govt. Servants appointed under Govt. of Manipur/Manipur Legislative Assembly Secretariat to the extent of the period of continuous service put in the post/service and those who belongs to SC/ST/OBC will get the facility admissible to a Govt. servant in addition to the relaxation admissible to SC/ST/OBC candidates mentioned at (i). | 1 | 0 |

5. **1(one) posts of Labourer:**

| Pay Scale | Essential Qualification | Desirable | Age Limit | URC | RC |
|---|---|---|---|---|---|
| Rs. 4,440 + 7,440 and Grade pay of Rs. 1,650/- | i)Matriculate (HSLC Passed) | Knowledge of Hindi and Manipuri. | i) 38 yrs. and below (Relaxable by 5 yrs. for SC/ST & 3 yrs. for OBC Candidates). ii) The upper age limit is relaxable for Govt. Servants appointed under Govt. of Manipur/Manipur Legislative Assembly Secretariat to the extent of the period of continuous service put in the post/service and those who belongs to SC/ST/OBC will get the facility admissible to a Govt. servant in addition to the relaxation admissible to SC/ST/OBC candidates mentioned at (i). | 1 | 0 |

6. **1(one) post of Attendant:**

| Pay Scale | Essential Qualification | Desirable | Age Limit | URC | RC |
|---|---|---|---|---|---|
| Rs. 4,440 + 7,440 and Grade pay of Rs. 1,650/- | i)Matriculate (HSLC Passed) | Knowledge of Hindi and Manipuri. | i) 38 yrs. and below (Relaxable by 5 yrs. for SC/ST & 3 yrs. for OBC Candidates). ii) The upper age limit is relaxable for Govt. Servants appointed under Govt. of Manipur/Manipur Legislative Assembly Secretariat to the extent of the period of continuous service put in the post/service and those who belongs to SC/ST/OBC will get the facility admissible to a Govt. servant in addition to the relaxation admissible to SC/ST/OBC candidates mentioned at (i). | 1 | 0 |

7. **1(one) post of Sweeper:**

| Pay Scale | Essential Qualification | Desirable | Age Limit | URC | RC |
|---|---|---|---|---|---|
| Rs. 4,440 + 7,440 and Grade pay of Rs. 1,650/- | i)Matriculate (HSLC Passed) | Knowledge of Hindi and Manipuri. | i) 38 yrs. and below (Relaxable by 5 yrs. for SC/ST & 3 yrs. for OBC Candidates). ii) The upper age limit is relaxable for Govt. Servants appointed under Govt. of Manipur/Manipur Legislative Assembly Secretariat to the extent of the period of continuous service put in the post/service and those who belongs to SC/ST/OBC will get the facility admissible to a Govt. servant in addition to the relaxation admissible to SC/ST/OBC candidates mentioned at (i). | 1 | 0 |

8. **1(one) post of Cook:**

| Pay Scale | Essential Qualification | Desirable | Age Limit | URC | RC |
|---|---|---|---|---|---|
| Rs. 4,440 + 7,440 and Grade pay of Rs. 1,650/- | i)Matriculate (HSLC Passed) | Knowledge of Hindi and Manipuri. | i) 38 yrs. and below (Relaxable by 5 yrs. for SC/ST & 3 yrs. for OBC Candidates). ii) The upper age limit is relaxable for Govt. Servants appointed under Govt. of Manipur/Manipur Legislative Assembly Secretariat to the extent of the period of continuous service put in the post/service and those who belongs to SC/ST/OBC will get the facility admissible to a Govt. servant in addition to the relaxation admissible to SC/ST/OBC candidates mentioned at (i). | 1 | 0 |

****URC- Un-reserved Category, RC- Reserved category.***

***Terms & Conditions:***

1. Application forms will be available at **the Banquet Hall, Manipur Legislative Assembly, Chingmeirong** on payment of ₹ 500/-(Rupees five hundred) only for unreserved/OBC candidates and ₹ 300/-(Rupees three hundred ) only for SC/ST candidates from **09-04-2021 to 17-04-2021** and duly filled-in forms shall be submitted from **19-04-2021 to 22-04-2021** during office hours at the said venue. Admit Cards will be issued from **26-04-2021 to 28-04-2021** at the same venue during office hours.
2. The decision of the authority as to the eligibility or otherwise of the candidates will be final.
3. The notification may be cancelled at any time without assigning any reason thereof as per decision of the authority.
4. The detailed information can be had from the office of the undersigned during the office hours.
5. The number of post may be increased or decreased subject to availability of vacancies from time to time.
6. There shall be relaxation of upper age limit for those who have the experience of working in the Assembly Secretariat or any Govt. Department/ Organisation/ Institution to the extent of number of year(s) they have served on regular basis or contract/causal basis.

Sd/-
**(G. Tapankumar Sharma)**
*Joint Secretary (Admn.),*
Manipur Legislative Assembly.

HL-B/6905/7,8

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com